**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী এজেন্দা ৬ পুথোক্কুনা খন্নখ্রে।

মণিপুর সিভিল সেক্রেটরিয়েট থা অহুমগী মনুংদা লোইশিনদুনা শঙ্গানবা ৱারেপ লৌখি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি পোলেন্দ অমসুং য়ুক্রেন খোঙচৎতা ঙরাং পোলেন্দগী ৱারসোদা থুংখ্রে।

অমসুং

৩) অন্ধ্র প্রদেশকী অচুতাপুরমদা লৈবা ইসেন্সিয়া ফারমা কম্পনি অমদা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মীওই ৭ শিরে, ৩০ হেন্না শোক্লে।

**-------**

কেবিনেট (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সভাপতি ওইদুনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী এজেন্দা ৬ পুথোক্কুনা খন্নখি। মীফম অদুনা চহি ১৪ শুজিল্লক্লবা মন্ত্রি পুখ্রিগী মণিপুর সিভিল সেক্রেটরিয়েট থা অহুমগী মনুংদা লোইশিনদুনা শঙ্গানবা ৱারেপ লৌখি। লোয়ননা সিভিল সেক্রেটরিয়েট অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবগীদমক হৌজিক লোইশিন্দনা লৈরিবা থবকশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা টেন্দরশিং তৌদুনা অমুক্তদা পুন্না লোইশিন্নবসু মন্ত্রি মন্দলগী মীফম অদুনা অমত্তা ওইনা য়ান্নখি।

রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম অদুনা পাব্লিক ৱার্ক্স বিভাগকী সুপরিন্টেন্দিং ইঞ্জিনিয়র অমসুং এদ্দিসনেল চীফ ইঞ্জিনিয়ারবু ৱান টাইম রিলেক্সেসন তৌবগী অয়াবসু পীখি। মসিগীসু মথক্তা চীফ ইঞ্জিনিয়ার (বিল্ডিং)গী পোষ্টসু এদ্দিসনেল চীফ ইঞ্জিনিয়ার ফোর হায়না কনভরজন তৌবগী অয়াবসু পীখি।

অমরোমদা মীফম অদুনা মণিপুর লোক আয়ুক্ত এক্ট ২০১৪ গী সেক্সন ৬ অসি ওর্দিনান্স ওইনা এমেন্দ তৌরগা চেয়ারমেন অমসুং মেম্বরশিংগী অপ্পর এজ লিমিত হান্না চহি ৭০ ওইরম্বা অদু চহি ৭১ দা হেনগৎপদা অয়াবা পীখি। মীফম অদুনা পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং (পি.ঐচ.ই.দি)দা হোরাইজোন্টেল রিজার্ভেসনগী মখাদা সেক্সন ওফিসার গ্রেদ-ৱান (সিভিল)গী পোষ্ট অহুমসু পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতি কেটগোরিগী কেন্দিদেট অহুম হাপ্পা হায়নসু ৱারেপ লৌখি। লোয়ননা ত্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলস বিভাগকী মখাদা এ.দি.সিগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতাংদসু কুপা খন্নখি।

নাকল অমরোমদা, ৱাটর রিছোর্সেস বিভাগকী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু ঙরাং বিভাগ অসিগী ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হৌজিক হৌজিক বিভাগ অসিগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমদি বিভাগ অসিনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

জিরিবাম (এল)ঃ হৌখিবা চহি ২০২৩ দগী মে অহুমদগী হৌদুনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা জিরিবাম জিলাদসু মহৌশাগী হঞ্জিল্লকবা জিরিবাম এদমিনিষ্ট্রেসন্না অকনবা থবক পায়খৎলি। জিরিবাম জিলাদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোকশিং লাকশিন্নবা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি। খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা ফুরুপ অনিগী মরক্তা শান্তিগী ৱারী শান্নখিবা লোয়ননা ঙরাং ইরাং অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা কছারদা চংজফম লৌদুনা লৈরম্বা জিরিবাম কালিনাগরদা লৈবা মার ফুরুপকী মীওইশিং মশাগী খুলদা লাক্তুনা মখোয়গী য়ুম কৈশিং য়েংশিল্লম্লে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মার ফুরুপকী মীওইশিংনা হায়- জিরিবামদা থোক্লিবা ইরাংনা মরম অদুনা অসামগী কছারদা চংজফম লৌদুনা লৈরকপনি। অদুবু থা কয়াগী মতুংদা মখোয়গী খুলদা হল্লক্তুনা ময়ুম মকৈ য়েংশিনবা ঙমলে। মসিগীদমক জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি সি.আর.পি.এফকী পার্সোনেলশিংনা লৌরিবা থৌদাং অদুগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম কয়াদা থি হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙরাং নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নম্বোল ফোইজিং চীংনিং অমদি খা জিরিগী অকোইবদা থি হুন্বগী থবক চখখ্রে। মদুদা মীওই ১৬৩ মশাগী শক্তাক চে পুথোকহন্দুনা মশক খঙদোকখি। অদুমওইনম মীফা মীপুন অমদি খুৎলায়নচিংবা ফাগৎপগী পাউদি লৈতে।

ইথায় (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুখিবনা লোক্তাক পাৎকী ঈমায় য়াওনা মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈমায় কা হেন্না ৱাংখৎলকপদগী ইথায় বরাজগী গেট মঙামক হাংদোক্তুনা ঈশিং ঈমায় হন্থনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

হোক্কি (এল)ঃ অসামগী গুৱাহাতিদা সেপ্তেম্বর ৩০ দগী ওক্তোবর ১০ ফাওবা চখুগদবা ১৪ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জ্‌নিয়র ৱিমেন নেসনেল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা মণিপুরগী টিম খন্নবগীদমক ফাইনেল সেলেক্সন ত্রাইয়েল থা অসিগী ২৬ তগী হৌরগনি। মরম অদুনা ত্রাইয়েল অসিদা শান্নরোইশিংনা ত্রাইয়েল নুমিৎতা তাকয়েলগী সাই কমপ্লেক্সতা লৈবা এষ্ট্রো টর্ফ হোক্কি ফিল্ডদা লাক্তুনা কোচ টি.ঐচ. চনচনদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

দেসাম (এল)ঃ সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি (সি.এ.য়ু) ইম্ফালদা

কাংলোন কায়না থবক তৌরিবশিং য়েংশিন্নবা দেমোক্রেতিক ষ্টুদেন্টস এল্লায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি পোলেন্দ অমসুং য়ুক্রেন খোঙচৎতা ঙরাং পোলেন্দগী ৱারসোদা থুংখ্রে। শ্রী মোদিবু মফম অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংনা লৈবাক অসিগী চৎনবীগা লোয়ননা হরাউ তয়ামা ওকখি। প্রধান মন্ত্রিনা জাম সাহেব নৱানাগর মেমোরিয়েলদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। তুংদা ৱারসোদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা জাতিশিংগী মীফম অমদা শরুক য়াখি।

খোঙচৎ অসিগী মমাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- সেন্ত্রেল য়ুরোপকী ওইনা পোলেন্দ অসি মরুওইবা ইকোনোমিগী পার্টনর অমনি। ভারত অমসুং পোলেন্দনা হেন্না অফবা মরী থমবা ৱাফম কয়াসু মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা খন্নগনি। খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না শ্রী মোদিনা পোলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি দোনাল্ড টক্স অমসুং রাষ্ট্রপতি অন্দ্রেজ দুদাগা উন্নগনি। চহি ৪৫ গী ত্ংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা চৎপনি।

প্রধান মন্ত্রিগী য়ুক্রেন খোঙচৎতা য়ুক্রেনগী রাষ্ট্রপতি অমসুং প্রধান মন্ত্রিগা ১৯৯২ দগী লৈবাক অনিগী লৈনরক্লিবা মরী অসিবু হেন্না ফগৎনবা ৱাফমশিং খন্নগনি। য়ুক্রেনদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা হঞ্জিন্নবা ৱাফমশিংসু খন্নগনি।

অন্ধ্র ঃ অন্ধ্র প্রদেশকী অনাকপালি জিলাগী অচুতাপুরমদা লৈবা ইসেন্সিয়া ফারমা কম্পনি অমদা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মীওই ৭ শিরে, ৩০ হেন্না শোক্লে।

সরকারগী পাউনা হায়- অশোকপশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা লায়কন্নরি। মুখ্য মন্ত্রি চন্দ্রবাবু নাইদুনা থৌদোক অসিগীদমক থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্তরনা থৌদোক অসিদা অৱা অনা তারবা মীওইশিংদা তেংবাং পীনবা হায়খ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং

মনুদা তেংবাং পীরগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে।

নিরমালা ঃ শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- ইনকম টেক্স বিভাগনা টেক্স থিরিবা মীওইশিংদা ইচম চম্বা অমসুং মী অদুনা অকিবা পোক্লোইদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নদুনা মেসেজ থানবা হোৎনশি। মী অদুনা খঙবদা ৱাগদবা ৱাহৈ ৱাতাশিং শিজিন্নরবদি মীওই অদুদা অকি অখঙ পোকহল্লি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা ইনকম টেক্সকী ১৬৫ শুবা চহি্গী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়- মীওই অমদা নোতিশ অমা থাবদা কুপা মীওই অদুনা খঙনবা মওংদা ইগদবনি। ঐখোয়না টেক্স থিরিবা মীওইশিংদা থাজবা থমহন্দুনা মখোয়দা অকি অখঙ পোকহন্দনা অফবা ৱাখল্লোন পীনবা হোৎনগদবনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা কুমজা ২০১৬ কী এম.পি.এস.সি রিক্রুটমেন্ট একজামগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টনা কন্টেম্প নোতিশ পীখ্রে হায়বা পাউ, চুরাচান্দপুরগী মীতৈগী লম খাজিন্নবা কম্মিসন্না হায়রল্লে, দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিতিনা হিল কাউন্সিলগী ওথোরিতিগা তান্নখিগে হায়রক্লে হায়বা পাউ অমদি সিভিল সেক্রেটরিয়েট থা অহুমগী মনুংদা শঙ্গানবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওহরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- কুমজা ২০১৬ কী এম.পি.এস.সি রিক্রুটমেন্ট একজামগী ৱাথোক তমবা লোইদ্রি, সুপ্রিম কোর্টনা কন্টেম্প নোতিশ পীখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, পোকফম, হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক, মণিপুর নিউজ অমদি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুরগী মীতৈগী লম খাজিন্নবা কম্মিসন্না হায়রল্লে, দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিতিনা হিল কাউন্সিলগী ওথোরিতিগা তান্নখিগে হায়রক্লে হায়বা পাউনা

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

পোকফমদা- মণিপুর লোক অয়ুক্তগী অপ্পর এজ লিমিত অসি চহি ৭০ দগী ৭১ দা হেনগৎপদা য়াখ্রে, কুম পুরবা সিভিল সেক্রেটরিয়েট থা অহুমগী মনুংদা লোইশিল্লগা শঙ্গানবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংগী অহানবা লাময়দা ফোংলি।

টেঙ্কর য়াওনা পনদুনা লৈরম্বা গাড়ি ১৩৩ ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে, পেট্রোল্লিয়ম প্রদক্কীদমক থোইনা ৱানিঙাই লৈত্রে হায়বা পাউনা পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- কুকি এম.এল.এশিংনা ইচুম কোম, খারম, আইমোল অমদি চিরুগী মীওইশিংগী আধার কার্দতা ৱাতপ ওইনা হাওকিপ হাপত্রবদি চাকথুং অমত্তা পীদ্রে হায়বা কোকোমিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- চুরাচান্দপুরদগী লাঞ্জেন্নখ্রবা মীতৈশিংগী লন থুম ঙাক শেন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহল্লকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুর পুলিসনা ইন্তরনেসনেল ড্রগ স্মগলরনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা ম্যান্মারর মচা অবদুল রাহমিনা হাই কোর্টকী ওর্দরগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা এস.এল.পি সুপ্রিম কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- থা ১৫ শুরবা মণিপুরগী শেনমিৎলোনদা পীবা অচৌবা চৈথেং, পাউনা অমসুং থঙ্গাল কৈথেলদা হাংলম্বা দুকান ৭০ হেন্না তোকখ্রে হায়বা অখন্নবা পাউদম অমা অহানবা হেদলাইন তোদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- এন.আই.টি মণিপুরগী কমপ্লেক্স ঈশিং থুমজিনখিবদগী ফিজিকেল ক্লাস তৌবা লেপখ্রে, কুকি ফুরুপগী মহৈরোইশিং অতোপ্পা য়ুনিভর্সিতি ট্রান্সফর তৌবীনবা ৱাকৎলকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা

হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- ইরাংনা কছারদা লাঞ্জেন্নখ্রবা জিরিবামগী মারশিং ময়ুমদা হঞ্জিল্লকবা লাক্কুনা য়েংখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

এন.এস.সি.এন-আই.এম অমদি কে.এন.এফ-বি অনিগী মরক্তা য়ান্না চেরোল অমা সহি তৌনখ্রে হায়বা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- এন.ই.সি ভিজন দ্রাফটতা চিন ষ্টেট হাপচিল্লকপদা চেন্নবশিং এক্সন লৌগদবনি হায়বা কোকোমিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমস য়াওনা অয়াম্বা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

গানফিউ মেলদা- নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা ওগষ্ট ২৩ গী অহিংদগী ইকোনোমিক ব্লোকেদ লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

-------